**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-10.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- মণিপুর য়াওনা ভারতকী অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা চাউখৎ থৌরাংগী অনৌবা প্রোজেক্টশিং অথুবা মতমদা কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলগনি।

২) হকশেল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন্না হায়রি- ঐখোয়না আইওদিন য়াওবা থুম খক্তমক শিজিন্নদুনা লায়েংবদা ৱানা থোক্লিবা গোইতর লায়নাদগী ঙাকথোকমিন্নশি।

৩) ৮১ শুবা এনিভর্সরি ওফ প্রোভিজনেল গভর্ণমেন্ট ওফ ফ্রি ইন্দিয়া (আরজি হুকুমদ-ঈ-অজাদ হিন্দ) মোইরাংগী আই.এন.এ মার্তিয়রস মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

৪) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- চহি কয়া চুপা জম্মু কাশ্মীর, অৱাং নোংপোক লমদম অমসুং লেফটৱিং এক্সট্রিমিজমনা শান্তি লৈহল্লমদবা অদু হৌজিক্তি ইং চিকপা লমদম অমা ওইরে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ১৬ শুবা ব্রিক্স মীফম য়াওনবা হয়েং রসিয়াগীদমক ভারত থাদোক্লগনি।

------

বিরেন (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- মণিপুর য়াওনা ভারতকী অৰাং নোংপোক রাজ্যশিংদা চাউখৎ থৌরাংগী অনৌবা প্রোজেক্টশিং অথুবা মতমদা কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলগনি হায়রি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- লমদম অশোমদা পায়খৎলিবা নেসনেল হাইৱে প্রোজেক্টশিং খুমাং য়াংনা চংশিল্লগনি হায়রি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা অৰাং নোংপোক রাজ্যশিংগী নেসনেল হাইৱে প্রোজেক্টশিং য়েংশিনবগী মীফমদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা শ্রী বিরেন্না হায়- হৌজিক পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা কেন্দ্রনা পীবা য়াবা তেংবাং পীরগনি হায়না কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসিনা ফোংদোকখ্রে। লোয়ননা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি নিতিন গদকারিগী মীৎয়েং মখাদা অৰাং নোংপোক লমদমদা অহেনবা মীৎয়েং থম্বীদুনা চাওখৎ মাইকৈদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লি।

মীফম অদুদা কেন্দ্রগী রাজ্য মন্ত্রিশিং- আজয় তমতা, হর্স মালহোত্রা অমসুং মণিপুরগী ৱার্ক্স মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

ডে (এল)ঃ হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন্না হায়রি- ঐখোয়না আইওদিন য়াওবা থুম খক্তমক শিজিন্নদুনা লায়েংবদা ৱানা থোক্লিবা গোইতর হায়বা লায়না অসিদগী ঙাকথোকমিন্নশি। ঐখোয়না য়ুমদা নুংতিগী শিজিন্নরিবা থুম অসি আইওদিন য়াওব্রা হায়বদু য়েংবগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়- স্কুলশিংগী মনাক্তা অচা অথক য়োল্লিবা মীওইশিংনা য়োল্লিবা পোৎলমশিং অদু ফুড সেফতি এক্টকী মখাদা নিয়ম চুমা য়োনব্রা হায়বদুসু য়েংশিনবা মথৌ তাই।

নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুর অমসুং হেলথ সর্ভিসেস বিভাগ মণিপুরনা পুন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী নোর্থ এ.ও.সিদা পাঙথোকখিবা গ্লোবেল আইওদিন দিফিসেন্সি দিসওরদর প্রিভেন্সন ডে ২০২৪ থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ডাঃ রঞ্জন্না হায়- মপানলোমদগী পুশিল্লকপা হৈ-রা, মনা মশিং অমদি অতৈ চান থকবা

পোৎলমশিং অসিদা হকচাং শোক্কদবা কেমিকেলশিং য়াওব্রা হায়বদু ফুড সেফতি ওফিসারশিংনা য়েংশিনহন্নিংবগী অপাম্বা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল বিভাগকী স্পেসিয়েল সেক্রেটরি হুংয়ো ৱারসং, হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ও. সনাহনবী দেবী অমসুং ষ্টেট হেলথ সোসাইতিগী মিসন দিরেক্তর ডাঃ এম. দিনেস শরুক য়াখি।

পুলিস (এল)ঃ পুলিস কম্মেমোরেসন ডেগী পালন থৌরম ঙসি মণিপুরদা পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল জিলাগী পুলিস হেদক্বাটরদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এস.পি. রাকেশ বলৱান্না লুচিংদুনা মথৌ তৌরিঙৈদা লৈখিদ্রবা পুলিস পার্সোনেল ২৪ গী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংদা অচম্বা খুদোল পীদুনা ইকায় খুমখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ঈ-দান তৌবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি।

ককচিং জিলাদসু পুলিস কম্মেমোরেসন ডেগী পালন থৌরম ঙসি জিলা অদুগী পুলিস হেদক্বাটরদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এস.পি. থোকচোম বিক্রমজিৎনা লুচিংদুনা মথৌ পাঙথোকপদা লৈখিদ্রবা পুলিস পার্সোনেল ৭ কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

কংগ্রেস (এল)ঃ ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কমিতিগী মখাদা ইন্দিয়ান য়ুথ কংগ্রেসকী সেন্ত্রেল ইলেক্সন কম্মিসন্না মণিপুর য়ুথ কংগ্রেসকী নৌনা থৌ পুগদবশিং খন্নবা অমদি মেম্বরসিপ ওইনবগী এনরোলমেন্ট ঙসি ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম.পি.সি.সিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ভিক্তর কৈসিং, ইন্দিয়ান য়ুথ কংগ্রেসকী জেনেরেল সেক্রেটরি সফিরা রহামন অমদি দল অসিগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি। এনরোলমেন্ট থাজিনবা থা অসিগী ২৩ দগী হৌরগা থা অসিগী ২৭ কী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা চথুগনি।

আইএনএ (এল)ঃ	৮১ শুবা এনিভর্সরি ওফ প্রোভিজনেল গভর্ণমেন্ট ওফ ফ্রি ইন্দিয়া (আরজি হুকুমদ-ঈ-অজাদ হিন্দ) মোইরাংগী আই.এন.এ মার্তিয়রস মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি আই.এন.এ ৱার ম্যুজিয়ম কম লাইব্রেরি মোইরাং, দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর অমসুং আই.এন.এ লোকেল এদভাইজরি কম্মিতি মোইরাংনা শিনবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী কম্মিসনার এম. জোয়না হায়- প্রোভিজনেল গভর্নমেন্ট অসিগী পান্দমদি ভারতকী লৈমায়দগী বৃটিশকী লোইলম সাসন মুখৎতুনা লৈবাক অসিবু নীংখা তমহনদবা য়াদে হায়বা ৱাল্লোনদা চংশিনখিবা য়ামা মরুওইবা খোঙজংনি। নেতাজিগী খোঙজং অসি ঙসিগী মীরোলনা কাউফম থোক্তে।

থৌরম অসিদা নেতাজি শুবাসচন্দ্র বোসকী মীতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি অমদি অখণ্ড অহৈশিংনা নেতাজিগী পুন্সি ৱারী অমসুং মহাকা লৌরম্বা থৌদাংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না শৈরেং চাংদমবা অমসু পাাঙথোকখি।

এৱারনেস (এল)ঃ	ব্রেষ্ট কেন্সর থাবুমগা মরী লৈননা রিমসকী রেদিয়েসন ওনকোলোজি দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা ঙসি ব্রেষ্ট কেন্সর এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা রিমসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রিমসকী রেদিয়েসন ওনকোলোজি দিপার্টমেন টকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট প্রোফেসার ডাঃ সোবিতানা হায়- থাবুম অসিদা মীয়াম া রিমসতা লাকপীদুনা লেমা ও.পি.দি টিকেৎ ককপিরগা অল্ট্রা সাউন্দ লৌবগী খুদোংচাবসু পীরি। ঙন্না লাইওং খঙদোক্তুনা লায়েংলবদি লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। ব্রেষ্ট ফিদ্দিং তৌবনা মমা খক্তা নত্তনা মচাদসু কান্নবা পীরি। মহাকা হায়- নৌরিবা মহৈরোই নুপীমচাশিংনা য়ু অমদি চুরুট থকপগী চাং হেনগৎলকপা অসিনা লঙ্কস কেন্সর অসি নুপাদা নত্তনা নুপীদসু নাবগী চাং হেনগৎলক্লি।

ফিলম (এল)ঃ সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন, রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা শিন্দুনা মথং থাগী ২০ দগী ২৮ ফাওবা গোৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেলদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা- ফার্ষ্ট টাইম ফিচর ফিলম দিরেক্তরস এন্দ ক্রিয়েতিভ মাইন্স ওফ তুমোরো হায়বসিদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাংকৈ য়োংলান লৈরক্তা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন, রিজনেল ওফিসকী দাইরেক্তর ডাঃ ইঙম পামেনা থৌরম মপু ওইখি।

ত্রেনিং (এল)ঃ মণিপুরদা কোংগ্রেং করমা য়োক্কনি হায়বগী মতাংদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই শাজোর লৈকাইদা লৈবা গৌরগোবিন্দ গার্লস কলেজদা হৌখ্রে। থৌরম অসিদা কলেজ অসিগী মহৈরোইশিং, ওজাশিং অমদি অতৈ ষ্টাফশিং শরুক য়াখি। দিপার্টমেন্ট ওফ জ়লোজি অমদি ইন্তরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেল অনিনা পুন্না শিনবা থৌরম অসিদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

মেমোরেন্দম (এল)ঃ তমেংলোং জিলাগী তামৈ সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা নালোং খুলদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা লম্বী থোং নিংথিনা শেম্বীনবা উরিপোক অপুনবা লুপনা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরিদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। রাজ্য অসিগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লম্বী থোংগী খুদোংচাদবশিং মায়োকরিবা অসি য়েংশিনবীনবসু চেরোল অদুদা পল্লি।

এআর (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনাম খুলদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসিদা খুঞ্জাশিং অমসুং খুল অসিদা লৈবা ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন পুন্না মীওই ৪০০ হেন্না লায়েংখি।

হেলথ (এল)ঃ লৈখিদ্রবা হিষ্টোরিয়ান অমসুং প্রোফেসার গাংমুমৈ কামৈগী ৮৫ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মেজোরল খুলদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। গাংমুমৈ কামৈ ফাউন্দেসন অমসুং

মেজোর খুল য়ুথ এসোসিয়েসনগা খুৎশমদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা লেমা লয়েংবগী লোয়ননা ব্রেষ্ট কেন্সরগী মরমদা মীয়াম্বু নিংথিনবা খঙহনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

অমিত ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- লৈবাক অসিদা ময়াই কাবা নিশা লল্লোনবা, সাইবর ক্রাইম, নারোনদা মীতোপ চংশিল্লকপা, তেরোরিজম অমসুং আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সকী খুত্থাংদা মীয়ামদা মীপাইবা পোকহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলক্লিবা অসি মথৌনা ফরবা লৈবাক অসিগী লান্মীশিংনা অকিবা লৈতনা থেংনগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ।

নিউ দিল্লিদা নেসনেল পুলিস মেমোরিয়েলদা পুলিস কম্মেমোরেসন ডেগা মরী লৈননা মথৌনা ফরবা লৈখিদ্রবা পুলিসশিংদা ইকায় খুমবা উৎলদুনা শ্রী সাহনা হায়- হৌখিবা চহি তরা অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কৎথোকপা অমসুং হৈ শিংবনা লৈবাক অসিদা শান্তি থম্বা ঙল্লি। মহাকা হায়- চহি কয়া চুপা জম্মু কাশ্মীর, অৱাং নোংপোক লমদম অমসুং লেফটৱিং এক্সত্রিমিজমনা শান্তি লৈহল্লমদবা অদু হৌজিক্তি ইং চিকপা লমদম অমা ওইরে। শ্রী সাহনা হায়- অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম পাস তৌখিবা অদু রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা চৎনবা হৌরে। লো অহুম অসি মপুং ফানা লৈবাক অসিদা চৎনরকপা মতমদা ক্রিমিনেল জষ্টিস পীবদা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফবা লৈবাক ওইরগনি। মসিনা রেজিষ্টর তৌখিবা ক্রাইম অমবু চহি অহুমগী মনুংদা লোইশিল্লগনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ১৬ শুবা ব্রিক্স মীফম য়াওনবা হয়েং রসিয়াগীদমক ভারত থাদোক্লগনি। শ্রী মোদি রসিয়াগী রাষ্ট্রপতি ভ্লাদিমির পুটিননা বার্তন তৌরকপদগী মীফম অসি য়াওবা চৎকদবনি।

প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী মতাংদা নিউ দিল্লিদা ফোরেন সেক্রেটরি বিক্রম মিশ্রাগা পাউমীশিংগা উন্নবদা হায়- প্রধান মন্ত্রি হয়েং মীফম অসি য়াওনবা রসিয়াগী কাজানদা চৎলগনি। মহাকা হায়- ভারত ব্রিক্সকী ফাউন্দর মেম্বরনি।

মসিনা হেক হৌদোরকপদগী হৌদুনা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াদুনা লাক্লি। শ্রী বিক্রমনা হায়- নুমিৎ নিনিগী মীফম অসিনা শেল থুমগী লমদা তেংবাং পীনবা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি। ইনর্জি অমসুং ফুড সেক্যুরিতিগী লমদসু হেন্না অফবা মরী থম্লগনি। হকশেল অমসুং নহাশিংগী ৱাখল্লোনশিংবু হেন্না থৌনা হাপ্পগনি। প্রধান মন্ত্রিনা রসিয়াগী মকোক থোংবা মীওইশিংগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়াসু খন্নগনি হায়রি।

অমরোমদা, কাজানদা লৈবা ভারত মচাশিং মরুওইবা মহৈরোইশিংনা প্রধান মন্ত্রিবু তরামা ওকবা শেম শারে।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হয়েং নিউ দিল্লিদা মঙাসুবা নেসনেল ৱাটর এৱার্দস ২০২৩ য়েন্থোক্লগনি।

মসিগীদমক কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রালয়না বেষ্ট ষ্টেট, বেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, বেষ্ট ভিলেজ পঞ্চায়ট, বেষ্ট অরবান লোকেল বোদি, বেষ্ট ৱাটর য়ুজর এসোসিয়েসন য়াওনা তোঙান তোঙানবা মনা ৩৮ লাউথোকখ্রে।

খ্বাইদগী ফবা রাজ্যগী মনানা উরিষানা তারে। উত্তর প্রদেশনা অনিসুবা অমসুং গুজরাত অমদি পুদুচেরিনা পুন্না অহুমসুবা তারে। মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়- ঈশিং শিজিন্নবা অমসুং মসিবু য়োক্তুনা থমবগী মতাংদা সরকারনা জাতিগী থাক্তা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। সরকারনা পায়খৎলিবা জল সমরিধ ভারতকী ভিজন মঙফাওনহন্নবা হোৎনবদা লনাই মীওইশিং অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু শক খঙদুনা নেসনেল ৱাটর এৱার্দ অসি পীবনি।

বাস্কেটবোল (এল)ঃ মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ব্রহ্মপুর নহাবম বাস্কেটবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ২৮ শুবা ষ্টেট য়ুথ বাস্কেটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এল.এম.ৱাই.ভি.এ ললাম্বুংনা য়ুথ ক্লব উরিপোকপু পাঞ্জল ৫৮-৪১ দা থোইখি। অনিসুবা মেটচতা সি.ৱাই.এল.সিনা ৱাহ.ও.এস.সিবু পাঞ্জল ৫৪-

৩৭ তা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা সৈনিক স্কুলনা ৱাই.দব্লিউ.সি মালোমবু পাঞ্জল ৪৯-১৯ দা থোইখি।

চেস (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতি স্পোর্টস কমিতি, কাঞ্চিপুরনা শিন্দুনা খুরাইজম রামনরায়ন শাস্ত্রি মেমোরিয়েল মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ইন্তর কলেজ চেস তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ ঙসি ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোলদা লৈবা এল. শানোই কলেজদা পাঙথোকখ্রে। নুপাগী টিম রেঙ্কিংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি, মোইরাং কলেজ অমসুং ৱাই.কে কলেজনা অহানবা, অনিসুবা অমসুং অহুম শুবা ওইরে। নুপীগী টিম রেঙ্কিংদনা ৱাইখোম মনি গার্লস কলেজ, মণিপুর য়ুনিভর্সিতি অমসুং নম্বোল এল. শানোই কলেজনা অহানবা, অনিসুবা অমসুং অহুম শুবা ওইরে।

কাং (এল)ঃ মণিপুর কাং এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ৱাবগাই অৱাং লৈকাইদা লৈবা ৱালিদা কাংশঙদা চথরিবা ৬৬ শুবা সার চুরাচান্দ কে.সি.এস.আই-সি.বি.ই মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট ওপন কাং তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱালিদানা থাংমৈবন্দ পাঞ্জল ১২-৪ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ তমেংলোং জিলাগী মিনি ষ্টেদিয়ম গোস্পেল য়ুথ ওর্গনাইজেসন্না শিন্দুনা চথরিবা ১২ শুবা গোস্পেল য়ুথ সোক্করগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা চেংদাই বেপটিষ্ট চর্চনা এ.সি.সি.টিবু পাঞ্জল ১-০ দা অমসুং থানলোন বেপটিষ্ট চর্চ সেক্রেদ হার্ট কেথোলিক চর্চপু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে। হয়েং তমেংলোং বেপটিষ্ট চর্চ অমদি নিয়ামনিং বেপটিষ্ট চর্চ অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ শান্নগনি।

------